লৈবাক অসিদা নুপীশিং ঈং-চীক্লা লৈবা ফংহন্দবগী মরম সুপ্রিম কোর্টনা হংখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩(এজেন্সী) :

নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হেনগৎলকপগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাক অসিগী নুপীশিং ঈং-চীক্লা লৈবা ফংহন্দবগী মরম করিগীনো হায়না হংখ্রে।

মশাগী চহী ১৬ শুরবী নুপী অমা মশা মথন্তা শিজখিবগা মরী লৈননা হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টনা মীওই অমা চহী ৭ কৈশুমশঙদা থম্নবা ৱায়েল পীখিবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা আপিল পিটিসন অমা হিয়ারিং চথবদা জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা ৱাহং অসি হংখিবনি।

আপিল পিটিসন অদুগী ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। করি মরমগী নুপীশিংবু ঈং-চীক্লা লৈবা ফংহন্দ্রিবনো হায়বদু খঙনিংই।

কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা নুপী অমবু নমদুনা নুপা অমদা নুংশিহনবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা জষ্টিস এ এম খনৱিলকর অমদি জষ্টিস এম এম শান্তনগৌদাসু বেঞ্চ অদুনা হায়খি, নুপী অমনা মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না করম্বা নুপাগা নুংশিনগদগে হায়বদুগী ফিরেপ লৌজফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা কনামত্তনা নুপী অদুদা ফোর্স শীজিন্নবা ঙমদে।

কেস অসিগী আর্গ্যুমেন্ট চথরিঙৈদা নুপা অদুগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা মশা মথন্তা শিজখি হায়বা নুপী অদুগী মেদিকেল রিপোর্টকী মতাংদা চিংনবা ৱাফম থল্লদুনা হায়খি, হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা নুপী অদু ৱা ঙাঙবা থোক্তবগা লোয়ননা ইবা ঙমদবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা চিংননিংঙাই ওইবা থৌওং কয়ামরুম লৈ।

ডোক্টরগী রিপোর্টতা লৈখিদ্রবী নুপী অদু হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা ৱাফম অমফাওবা ফোঙদোক্লম্বা লৈতে হায়রবনিনা কনাগুম্বা খরনা নুপী অদু হাৎতোক্লগা মশা মথন্তা শিজবনি হায়না মরাল পীশিল্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী অপোকপনা মচানুপীবু মীওই খরনা ফারগা নমদুনা ফল্লানখিবগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌরকপা লৈখি হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জষ্টিস এ কে সিক্রিনা লূচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা হায়খ্রে মদুদি, ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবদা তঙাইফদনা আধার য়াওহনবগী মরম সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পীফম থোকই।

কেরলাগী মিনিষ্টর ওইরম্বা বিনোয় বিশ্বামনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী হিয়ারিং চথবদা সুপ্রিম কোর্টনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইনকম টেক্স এক্তিতা সেক্সন ১৩৯ (এ) হাপচিল্লকপগী থৌওংবু শীংনরদুনা বিশ্বামগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়ার এদভোকেট অর্বিন্দ দতার অমসুং এদভোকেট শ্রীরাম প্রকাতনা হায়খি, পান কার্দ লৌনবা হোৎনবদা আধারগী তঙাইফদবা লৈহনবগা লোয়ননা ইনকম টেক্স রিটর্নস ফাইল তৌবদা আধার য়াওহনবগী থৌওং মরম চাদে।

'পাকিষ্টান্না কুলভুষণ হাৎখ্রবদি ইন্দিয়ানা বেলোচিষ্টানগী নীংতম্বা শকখঙগদবনি'

বডোদরা, এপ্রিল ২৩(এজেন্সী) :

পাকিষ্টান্না করিগুম্বা কুলভুষণ যাদবপু শিবগী চৈরাক পীদুনা হাৎখিবা থোক্লবদি ইন্দিয়ানা বেলোচিষ্টানবু তোকখায়বা লৈবাক অমা ওইনা শক খঙগনি হায়না বি জে পিগী এম পি সুব্রমনিয়ন স্বামিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভারত বিকাশ পরিষদ কৌবা এন জি ও অমনা শীন্দুনা অকোটাগী সার সয়াজি রাও গেক্কাদ নগরগৃহদা 'ইন্দিয়া এন্দ ইন্টরনেসনল টেররিজম' হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা স্বামিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, করিগুম্বা যাদব হাৎখিবা থোক্লবদি বেলোচিষ্টানগী নীংতম্বা রেকগ্নাইজ তৌদুনা পাকিষ্টান্দা অচৌবা পড়া অমা তন্বীগদবনি। মসিগীসু মথক্তা ঙমখৈ লান্না টেররিজমগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা পূক্নিং থৌগৎলিবা পাকিষ্টানবু বেলোচিষ্টান, পাখতুনিষ্টান অমদি সিন্ধ হায়না শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্কদবনি।

ইচম চম্না পাকিষ্টানবু টেররিজম শৌগৎপা লৈবাকনি হায়না লাউথোকপা খক্লা কান্নবা ফংলোই। ক্রোস বোর্দর টেররিজমদা য়ুম্ফম ওইরগা পাকিষ্টানবু মচেৎ কয়া থোক্লা কায়হল্লবা মতমদা ইস্লামবাদনা মশাগী মরাল খঙজরক্কনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা বি জে পিগী লূচিংবা অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা হায়খি, পাকিষ্টান্দা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা টেররিষ্ট লূচিংবা অনী-হফিজ সাইদ অমদি দৰুদ ইব্রাহিমগী মথক্তা এটেক চথবগা লোয়ননা পাকিষ্টানবু মচেৎ তানা থুগাইনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতেং লৌগদবনি। পাকিষ্টানগী লৈহাওদগী হৌরকপা টেররিজম মায়োক্লবদা ইন্দিয়ানা য়ু এসকী মতেং শোয়দনা ফংগনি।

ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, পাকিষ্টান্না এটোম বোম শীজিন্নগনি হায়না কিহল্লকপদা থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে। মরমদি ন্যুক্লিয়ার বোম পুম্নমক্কী বট্টন য়ু এসকী মখুত্তা লৈরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাইনাগা অফবা মরী থম্নদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থবক থৌরম পুম্নমক খুমাঙ চাউশিলহন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পঞ্জাবতা মতম খরগী মমাঙদা থেংনখিবা টেররিজমগী প্রোব্লেম পল্লদুনা স্বামিনা হায়খি, ইন্দিয়াগী হৈশিংলবা থৌরাংনা খালিস্থানিশিংগী তোকখায় তানিংবগী ৱাখল মায়থিবা পীখি। মতৌ অসুম্না কাশ্মীরদসু তোকখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা মীওইশিং মায়থিবা পীবা শোয়দনা ঙম্ফম থোকই।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপদগী কাশ্মীরদা মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা তোয়না নুঙ লংশিনবগী থৌদোক লেপখ্রে। মতাং অসিদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা অফবা মরী থম্নদুনা তোকখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা কাশ্মীরি খরগী থৌরাং অরেম্বা তাহনগদবনি হায়নসু বি জে পিগী লূচিংবা অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটকী ওফিস খূদিংমক্তা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স সিষ্টেম থমগদবনি : যোগি অদিত্যনাথ

লখনৌ, এপ্রিল ২৩(এজেন্সী) :

গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরিবা মীওইশিং মতম চানা থবক কাহন্নবগী পান্দমদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ব্লোক লেবেল ফাওবদা লৈরিবা ওফিস খূদিংমক্তা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স সিষ্টেম থম্নবা খঙহনখ্রে।

রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবদা অদিত্যনাথতগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, চাউখৎপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরিবা মীওইশিং মতম চানা থবক কাবা অমদি কুম্বগী থৌওং চথহনবা মথৌ তাই। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ব্লোক লেবেল ফাওবদা বাইওমেট্রিক সিষ্টেম থমদুনা ইমপ্লোয়ীশিংগী এটেন্দেন্স চেক তৌগদবনি।

পঞ্চায়ট খূদিংমক্তা বোর্দ অমা লিংখৎপগা লোয়ননা খুঙ্গংগী প্রধান অমদি খুঙ্গং খুঙ্গংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী অকুপ্পা পাউ লৌনবগী থৌরাং পায়খৎপা মথৌ তাই। প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী পান্দম অপীবা মতমগী মনুংদা শোয়দনা ফংহনগদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। রুরেল দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা মহাক্লা হায়খি, স্কিম অসিগী মখাদা ইমুং লাখ ৫.৭৩গী ময়ুম মতম চানা শাবগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অমদি ফোটোগ্রাফশিং অপলোদ তৌবগী থবক থৌরম পুম্নমক অপীবা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা লোইশিনগদবনি।

মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গেরেন্তি স্কিমগী মতাংদা মহাক্লা হায়খি, এক্টিব ৱার্করশিংগী পেমেন্ট সিষ্টেম আধারগা মরী লৈনহন্দুনা অরানবা থৌওং চথবা ঙমহল্লোইদবনি।

টামিল লৌমীশিংগী খোঙজং য়েথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩(এজেন্সী) :

ন্যু দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা নুমিৎ ৩৯ খোঙজং চঙশিল্লকখিবা টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা মে ২৫ ফাওবা খোঙজং য়েথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পলানিস্বামিনা ঙসি অয়ুক লৌমীশিংগা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা মতম খরা খোঙজং হন্দোকপগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

নিতি আয়োগকী মীফম য়াওনবগীদমক থাংজ নুমিত্তা লৈবাক্কী কোনুং ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবা চীফ মিনিষ্টরনা খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংদা হায়খি মদুদি, অথুবা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উনদুনা লৌমীশিংগী ৱাকৎ ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি অমদি হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগসু লৌমীশিংগী মতাংদা ৱারী শানরে হায়না পলানিস্বামিনা ফোঙদোকখি।

টামিল নাদুগী লৌমীশিংনা তাল্লিবা মরুওইবা দিমান্দশিংদি ঈকং থোকখিবগীদমক লুপা ক্রোর ৪০,০০০গী পেকেজ লাউথোকপা, লৌমীশিংগী লোন কোকপীবা অমসুং কাবেরি মেনেজমেন্ট বোর্দ শেম্বা অসিনচিংবনি। লৌমীশিংনা মরু কোকথোকপদা নত্তনা মকোয়-মরাং পুম্নমক কোকথোকপগা লোয়ননা দিমান্দ ফংনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি।

ভী ভী পেট লাখ ১৬.১৫ লৈগদৌরি

V33316
V33317
V32386

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩(এজেন্সী) :

য়ুনিয়ন কেবীনেটনা শেল কায়থোক্লবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন (ঈ সী)না ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল (ভী ভী পেট) মেছিন লাখ ১৬.১৫ লৈনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

কুমজা ২০১৭-১৮ অমসুং কুমজা ২০১৮-১৯দা পব্লিক সেক্টর অন্দর-টেকিং-বি ঈ এল অমসুং ঈ সী আই এলদগী লুপা ক্রোর ৩,১৭৩.৪৭ চঙনা মেছিনশিং লৈরগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোকখি।

কম্মিসন্না ঈ সী আই এল অমসুং বি ঈ এলদা থাখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মথং চহীগী সেপ্টেম্বর ফাওবগী মমাঙদা পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিং অমমমদগী ভী ভী পেট ৮,০৭,৫০০ লৈগনি হায়রি।

ঈ সী আইনা হন্দক্তা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভী এম)গী মতাংদা শেমখিবা টেক্নিকেল এক্সপার্টশিংনা পীবা রেকমেন্দেসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা ভী ভী পেটশিং শাগদবনি। টেক্নিকেল কম্মিটি অদুদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী লম অসিদা খঙ হৈরবা প্রোফেসার কয়ামরুম য়াওরি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা দিল্লিগী সিবিক ইলেক্সন্দা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভী এম) শেমদোক শেমজিন তৌবগী থৌওং চথরকপা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মীখলদা অরানবা থৌওং চথদুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকপদা মীয়াম্না চপ চানা থেংনগদবনি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়দবা ষ্টেটশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টনা অরানবা থৌওং কয়া চথনবা হোৎনরক্লে। পঞ্জাবতা ঈ ভী এম শেমদোক শেমজিন তৌখিবদগী এ এ পিনা মায় পাকপা ঙমখিদবনি হায়খি।

অরুনাচলগী লূচিংবশিংনা চাইনাবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইটানগর, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সী):

বৈজিংগী মমিং মুম্বাই হায়না থোল্লগা চাইনাগী কোনুংবু ইন্দিয়াগী লমনি হায়বা য়াগদৌরিব্রা হায়না অরুনাচল চেম্বর ওফ কমর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী প্রসিদেন্টনা হংখ্রে।

পার্টি অমদি কাঙলুপকী খেন্নবা থমদনা অরুনাচল প্রদেশকী লম চাইনানা অনৌবা মিংথোল পীখিবগী থৌওংবু ষ্টেট অসিগী মীয়াম হুপ্পা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

বি জে পি অরুনাচল য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট তাপির গাউনা হায়খি, চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরিবসি ওইথোকপা য়ারোই। কুমজা ১৯৫৯দা চাইনানা টিবেট খুদুম চনশিনখ্রবা মতুংদা হৌজিক্লা অমুক অরুনাচল প্রদেশ লৌশিন্নবা হোৎনরক্লে।

টিবেটপু নমদুনা খুদুম চনশিল্লবসু থোইদোক্লা কান্নবা ফংদে হায়বা পুৱারীদগী মরুওইবা পড়া অমা তল্লগা চাইনানা অরুনাচল প্রদেশতা মীৎয়েং চঙলকপা খুদক্তা লেপকদবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

চাইনানা অরুনাচল প্রদেশকী মফম তরুক্কী মমিং হোংদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকয়া নাইদুনা মপানগী লৈবাক অমত্তনা ইন্দিয়াগী সিটিশিং নৌনা মিংথোন পীবগী রাইট লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

বৈজিংনা লৌখৎলকখিবা থৌরাংগী মায়োক্তা চপ চাবা পাউখুম পীরদুনা মহাক্লা হায়খি, অরুনাচল প্রদেশকী মফম পুম্নমক ইন্দিয়াগীনি। চাইনানা পীনিংবা মিংথোন পীবা তারবসু ইন্দিয়াগী লম মচেৎ অমফাওবা লৌখিবা ঙম্লোই। কনাগুম্বা মীওই অমনা য়ুম্লোন্নবদা লৈরিবা লমগী মমিং হোংদোক হোংজিন তৌরগা হায়রিবা লম অদুগী মপু হেক্তা ওইবা য়ারোই।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন গোপাল বাগলেনসু অরুনাচল প্রদেশপু ইন্দিয়াগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

দলাই লামাগী ইন্দিয়া খোঙচৎপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা চাইনানা অরুনাচল প্রদেশতা লৈবা মফম তরুক্কী মিং নৌনা থোনখিবনি।

চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু মখোয়গী লমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা সাউথ টিবেট হায়বা মিংথোন পীদুনা লাকখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী ঙমখৈগী মতাংদা নাকল অনী কন্না য়েৎনরি। চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু সাউথ টিবেটনি হায়বা তারবসু ইন্দিয়াগীদি অক্সাইচিন এরিয়াবু লৈবাক অসিগী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরি।

THANKS GIVING

Shri N. Nimbus Singh, General Secretary, B.J.P. Manipur Pradesh, has kindly consented to organised the Silver Jubilee of All Communities Guru Pujah, 2017. Starting from the 22nd May to 25th May, 2017 at Malem Ima Community Hall, Thangmeiband Yumnam Leikai, Cheirao Chingkhong, objecting cultural development of all communities in the state. Shri Singh also is taking in charge of the participation even by Hon'ble Union Minister of India and M.P. in the said celebration as scheduled above. For the valuable action to be taken up by the General Secretary, the Suryabara Sana Kala Kendra has highly praised.

Sd/- **KRISHNA,**
GURU, Manipur, Imphal, # 8575762740,
Fax No. 0385-2404057,
HL-P/1417/24 **Email ID: sskelakendra@gmail.com**

KMS
KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
A Co-educational English Medium School
Affiliated to CBSE, New Delhi
Sagolband Takyel Kolom Leikai, Imphal West

REQUIRED

Sl.No.	Name of Posts.	Qualification
1.	Asst. Teacher (Chemistry)	M.Sc. in Chemistry
2.	Male Warden cum Asst. Teacher	Science Graduate
3.	Asst. Teacher (Maths)	Graduate in Maths

➢ *Last Date of submission of Application Form :* 25th April 2017
➢ *Date of Interview :* 26th April 2017 at 10:00 a.m.
HL-P/1414/24&25 *Sd/-* PRINCIPAL, KMS

[illegible]/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রয় নমঃ

তাইবঙপালদা ঐখোয় খ্বায়গী ইরক্তা লৈরম্বী ***খ্বাইরাকপম ওংবী ৺গুনমঞ্জুরি দেবী***-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ২০/০৪/২০১৭ ইং, শজিবুগী ২৪ নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা গুনমনি শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা ঈশ্বরগী খুয়াখাদা চঙজখ্রে। লাক্লিবা তাং ২৫/০৪/২০১৭ ইং, শজিবুগী ২৯ নি পানবা লৈবাকোপকপা নুমিৎতা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৩/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ৮ নি পানবা, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী থৱাইনা ইংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌড়চন্দ্র মহাপ্রভুগী খুয়াখাদা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তিন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিগী মীম্ৎরোল শোনবা, শকপা য়াওবীরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

বিনিতগণ :-খ্বাইরাকপম কুল্লা সিংহ (মপুরোইবা)
ডাঃ খ্বাইরাকপম লোকেন (মচানিপা) *অমদি ইমুং মনুং।*
সেগা রোড তখেল্লম্বম লৈকাই, ইম্ফাল
HL-P/1416/24 ☎ 9856528511, 9436021166

গেঙ রেপ থৌদোক্কী হৌরকফম থীদোকপীয়ু

হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিগী মমাংদা মণিপুরদা ফোঙবা পাউচে খরগী খুথাংদা য়াওখিবা নুপীমচা অনী নুপা তরেৎনা গেঙ রেপ তৌখ্রে অমদি থৌদোক্তুদা চেন্নবা নুপা তরেৎ পুলিসনা ফারে হায়না পাউচেশিংগী খুথাংদগী থেনজরে, অদুবু থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙনিংলিবদি অথেংবা নুমিদাংগী মতমদা থাবল থীবা চৎলিবা নুপা অনী নুপী অনী অদু থেংলবা নুমিদাংগী মতমদা অঙোম লৈকায়গী লাইজিং চিংদা লৈরম্লিবগী মরম্না করিগীনো? নুমিৎ অদুদা অঙোম লৈকায় অমদি খুন লোন্নবদা থাবল লৈখিদে। হায়জনিংলিবদি ভারাদা লৈরগা লাইরিক তমদুনা লৈরিবী মহৈরোয় নুপীমচাশিংবু থাবল চোংফম থীবগী নামাদা অথেংবা নুমিদাংদা পুদুনা চৎলিবা নুপাশিংদুসু অথুবা মতমদা থীগৎপীয়ু। লমদমসিদা ভারা শাল্লিবা য়ুম্নুশিংনা ভারাদা লৈরিবা নুপীশিংবু চৎনিংবা মতমদা চৎপা, হন্নিংবা মতমদা হল্লকপগী অয়াবা পীবীগনু হায়না মৈরা লুপশিংনা হায়জরি।

হায়জরিবা লুপশিং ঃ

১। অঙোম মমাং, মনিং, ময়াই লৈকায় মৈরা পায়বী
২। খুরাই কোনশম লৈকায়, ইপুম মপান মৈরা পায়বী
৩। খুরাই কোনশম লৈকায় চাউখৎ খোঙথাং নুপী লুপ
৪। কঙলা মৈরা পায়বী
৫। মোইরাংকম্পু মৈরা পায়বী

HL-P/0184/24

IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL

W.P.(C) No. 138 of 2016

In the matter of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issueing a writ of mandamus or any other appropriate writ or orders or directions appropriate in the facts and circumstances of the case; order of the Ld. Revenue Tribunal, Manipur dated 22/4/2015 passed in Revenue Revision Case No. 108 of 2013; Revenue Partition Case No. 2 of 2015 filed by the petitioners before the Ld. Deputy Commissioner, Imphal West; Application dated 30/3/2016 filed by the petitioners before the Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central); Articles 14, 21 and 300-A of the Constitution of India; Sections 51-B, 52, 53 and 55 of the Manipur Land Revenue and Land Reforms Act, 1960; Unnecessary and unexplained delay in the partition case of the petitioners due to the influence of the Principal Respondent Nos. 5 and 6; an application of the petitions for directing the respondents for completing the Partition Case No. 2 of 2015 instituted by the petitioners within a fixed period preferably within a period of 3 (three) months.

Shri Laishram Sukumar Singh, aged about 65 years, S/o (Late) L. Kullachandra Singh resident of Keishamthong Hodam Leirak, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur & Anr.

... Petitioners

–Versus–

The State of Manipur, represented by the Commissioner, (Revenue) Government of Manipur, Imphal & 7 Ors.

... Respondents

To,

1. Smt Laishram Sukho Devi (expired), represented by LRs:-

(i) Smt. Laitongbam Ningol Phanjaoubam Ongbi Ronibala Devi, aged about 50 years, W/o Ph. Gopeshor Singh of Khagempali Panthak, P.O. Imphal P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur.

(ii) Laitongbam Romi @ Naobi Devi, aged about 47 years, D/o Laitongbam Sukumar Singh of Khagempali Panthak, P.O. Imphal P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur.

(iii) Smt. Laitongbam Ningol Ngangom Ongbi Sharmilee Devi, aged about 40 years, W/o Ng Surjakanta Singh of Khagempali Nganappithong, P.O. Imphal P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur.

(iv) Shri Laitongbam Premananda @ Imocha Singh, aged about 44 years, S/o Laitongbam Sukumar Singh of Khagempali Panthak, P.O. Imphal P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur.

(v) Shri Laitongbam Umakanta @ Nanao Singh, aged about 42 years, S/o Laitongbam Sukumar Singh of Khagempali Panthak, P.O. Imphal P.S. Singjamei, Imphal West District, Manipur.

Respondent No. 5

... all are Legal Heirs of Respondent No. 5,
late Smt. Laishram Sukho Devi

2. Smt. Laishram Nonibala Devi, aged about 57 years, D/o (Late) L. Kullachandra Singh resident of Khagempalli Panthak, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur at present at Meitei Langol Leikai, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal District, Manipur.

Respondent No. 6

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C.
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 19/04/2017 passed in WP(C) No. 577 of 2016 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 5 and 7 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local vernacular for two consecutive days returnable date i.e., on 15/05/2017.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before 15-05-2017 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard, the Case will be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 21th day of April, 2017.

By:- Mr. N. Samarjit, Advocate
C/o T. Rajendra, Advocate
Dated, Imphal
The 21st day of April, 2017

By Order,
ASSISTANT REGISTRAR-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

HL-P/1401/23&24

ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী (লাই চৈখেৎপী) অমদি ইপা ইবুংঙো থাংচি ঙাঙোই নিংথৌ অনীগী কুমশি কুমজা হরাওবা পাওজেল

ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী (লাই চৈখেৎপী) অমদি ইপা ইবুংঙো থাংচি ঙাঙোই নিংথৌ অনীগী কুমশি কুমজা হরাওবা, লাক্লিবা তাং ৩০/০৪/২০১৭ ইং, কালেনগী ৫ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তাগী হৌজরগা, তাং ৬/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ১১ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শারেন চনবা অমদি লাইরোই তাঞ্জগনি। লোয়ননা লাক্লিবা তাং ৪/০৫/২০১৭ ইং, কালেনগী ৯ নি পানবা শগোলশেন নুমিত্তা ইমা ইপা অনীগী কোংবা লময়েংবা শাবল লমথোকপা নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা ইমা অমদি ইপা অনীগী মচা-মনাই ওইবশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা ইমা অমদি ইপাগী থৌরম অসিবু মপুং ফানা য়াওবিরনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

পাওজেঞ্জরিবা ঃ ইমা ইবেম্মা খুন্থোকহান্বী থৌগল মরুপ
HL-P/1415/24-26 ডি. এম. কলেজ গেট, থাংমৈবন্দ।

টৈংপাঙ্গদবশিং/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হল্লরক্কনি। ফম্না চাং হল্লরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোম্বারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্না, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুকনুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্বা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3796/06/04-05/05